# প্রিয়োবত্র তোঞ্জমনা ডাইরেক্সন পীবা লমজিংবা অর্ষ্টিস এসোসিয়েসনগী "চৈরাক"



চৈরাক অমগী চৈথেং অমনা কদায়ফাওবা কাইথরকপা হায়বদু ময়েক শেংনা অয়েংবা ভাবোকশিংগী থম্মোয়দা য়ৌহনবদা মায় পাকখ্রবা লমজিংবা অর্ষ্টিস এসোসিয়েসনগী শুমাঙ লীলা "চৈরাক"! মসিমক্তা শুমাঙ লীলাগী ভাবোকশিংনা হান্নদগী হৌনা অশা চাউনা তৌনরম্বা শুমাঙ লীলাগী মাক নাইবা গ্রুপ কয়াবু তুংওইনরমদুনা হন্দক মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৪৮ রক শুবা শুমাং লীলা ফেষ্টিবেলদা অনীশুবা ফিদা কনবা ঙমখি।

লোয়ননা বেষ্ট এক্টর, বেষ্ট এক্ট্রেস, বেষ্ট সপোর্টিং অমদি অনীশুবা বেষ্ট ম্যুজিক ডাইরেক্টরগী মনাসু ফঙখি। মায় পাক্লবা টিম অমা ওইনা পুখৎলক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়াখিবা মতম শাংনা দ্রামাগী লীদিং এক্টর অমা ওইনা অমদি থিয়েটর অমদি শুমাঙ লীলাগী ডাইরেক্টর অমা ওইনা শীংথানিঙাই ওইবা ব্রার্ক কয়া তৌরক্লবা প্রিয়োমত্র তোঞ্জমগী অচৌবা ক্রেদিটনি হায়জনিংই।

মতমসিদা অচুম্বা পামজবা চুম্না চৎচবা কয়াবু নমদুনা অরানবা ওইহননবা হোৎনবা, লালহনবা হায়বসিনা তুংকোইনা অফবা ওইদে হায়বা ৱারী পরিং অমদা শেমগৎলীবা লীলা অসিদা মৈনা ঈশিংনা চামদুনসু মাঙহনবা য়াররোইদবা অচুম্ববু লালহন্নবা হোৎনগুমসি। অরানবনা শোয়দনা ফঙলগদবা চৈরাক অদু কিবা তমশি হায়বা অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা শাগৎপা ৱারি অমবু লীলা অসিগী ডাইরেক্টরনা অচুম্বা মাইওন অমদা লমজিং লমতত্তুনা মমাঙ থা ফেব্রুৱারী ২৫ দা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাঙ লীলা শঙলেনদা উৎখিবা শুমাঙ লীলা "চৈরাক" অসি য়াম্নমক মপুং ফানা অয়েংবশিংগী পূক্নিং ৱাখলবু হুমদুনা পুবা ঙম্বা লীলা অমা ওইখি।

লীলা অসিগী য়াম্নমক মরুওইবা প্রোটাগোনিষ্ট (নুপা) অমা ওইরিবা দেবনা মালঙবা অমসুং তম্ফা হায়বা তোঙান তোঙানবা কেরেক্টর অনীদা অফোঙবা অমদি অরোনবা মাইখুম উপ্পা মীওই অনীগী শক্তম লৌদুনা মায় পাক্না এক্ট তৌদুনা অয়েংবশিংগী পূক্নিং চীংশিনবা ঙমখি। ৱারী পরিং অসিদা মালঙবা অমদি তরুবীগী নুংশি- নুংওনগী তাঙ্ককশিংদা লীলারোইশিংনা ষ্টোরি লাইনদা শাদোং ওইদুনা অয়েংবশিংগী সেন্টিমেন্ট শোকহনবা ঙম্বা মথৌ পাঙথোক্নরকপনা মায় পাক্লবগী অচৌবা মরম অমা ওইরি।

"চৈরাক" হায়রিবা শুমাঙ লীলা অসিগী শমলপ্পা ৱারিদি- মালঙবা মমা লুখ্রবীনা য়োক্তুনা চাউরকপনি। মহৈ মশিংদা থৱায় য়াওবা অমা ওইনা হৌরকই। মশা ফবনা লৈঙাক্কী ফম্নাইবা ওইদুনা এস দি ও ফাওবা ওইরকই। অদুবু অকনবনা অচুম্বা ওইদুনা পুকচেল শেংনা মথৌ পাঙথোকচবা মালঙবা ভিক্তিম ওইখি। থবক্তগী লৌথোকখি।

শেঞ্জাউ পায়বা মুক্তা কৌবা মীশক অমনা এডভোকেট অমা হাৎখিবগী মরালসু মহাক্না ফঙখি। মালঙবা উপায় লৈখিদে। অসিগুম্বা সমাজ অসিগী অশোয়বা সিষ্টেম অমনা লাননা লমজিংদুনা পুখি। মশাদা লমন খুমনিংবনা ঙাওরবা মীশক অমা ওইহনলকখি। মসিনা মরম ওইদুনা সমাজ অসিবু মশাগী খুদোংচাবা খরখক্কী খন্দুনা অরানবা লম্বীদা লমজিংলিবা য়াইতোং ফমদোংবশিংবু মরু ফুক্না মাঙহন্নবা হোৎনবা হায়বসি অসিনা পান্দম অমা ওইদুনা তম্ফা হায়বা মাইখুম অমগী মরুমদা খোং থাঙজিন দুনা তপ্পা তপ্পা মথৌ পাঙথোকপা হৌরকখি।

লোয়ননা মহাক্কী থবক থৌরমশিংনা লৈঙাক্তা কোক চীকনিংঙাই ওইখি। লোয়ননা তম্ফাবু ফান্নবা লৈঙাক্না হোৎনখি। অসিগুম্বা চৈরক অসিদা ইনাক কৈরাক খুনবা লুৱাং কৌবা মীওই অমগী কন্দিসন খরাদগী তম্ফা পুদুনা লাকখি। লুৱাংনা মচা শক্না য়োকচবী তরুবীগী লন্দনদা লৈবা অপোকপা মপাগী মীৎয়েংদা তরুবীগী নুপা (মপুরোইবা) অমা ওইনা উৎনবা হোৎনখি। তরুবী নুপা অমগুম হৌরকখিবনি অদুবু লন্দনদা লৈখিবা অদুনা থোরক্তুনা লৈবা মতমদা তরুবীগী মপুরোইবা শাদুনা লৈন্নবা নেক্তুনা পুরকখিবনি।

তম্ফানা মালঙবা ওইদুনা য়ূমদুদা লৈরকপা মতমদুদা মালঙবগী মওং মতৌদুদা তরুবীগী থম্মোয়দা অনৌবা অওনবা অমা লাক্তুনা মালঙববু নুংশিবা ফাওরকখি। লোয়ননা কনা অমত্তনা মালঙববু পুলিস অমদি ইন্টিলিজেন্সনা থিরিবা তম্ফানি হায়বা খঙখিদে। অদুবু ইন্টিলিজেন্স ওফিসর শকহেনবী অমদি ইন্সপেক্টর থানিলগী মখূৎতগী নাম্থোকপদি ঙমখিদে।

অসিগুম্বা ফিভম অসিদা তরুবী অমদি তরুবীবু অপোকপদগী হেনা লুনা খঞ্জরিবা লুৱাং উপাই লৈখিদে। মালঙবা। তম্ফা মাগী মথক্তা লৈরিবা মীহাৎ মীপুনগী মরি লৈনবা কেসশিং অদুননা মরম ওইদুনা মাবু ফাশি তৌদুনা হাৎনবা ৱারেপ তাখ্রবা মতুংদনি। ফনা য়াম্না মরাল লৈবা মীশক অমা ওইদুনসু লো হায়বা অমা লৈরিবনিনা মীবু হেক্তা হাৎপা য়াদে, মরম অসিদগী তম্ফাগী মায়খুম উপ্তুনা তৌরম্বা থবকশিং অদুগীদমক লো কোর্টনা মালঙববু শগায়দা য়ান্দুনা হাৎনবা ৱারেপ লাউথোকখি।

অসিগুম্বা তঞ্জাসিদা মালঙবগী অপোকপীল তরুবীনচিংবা কনা অমতনা পাঙ্গল থোকপা ঙমখিদে। ট্রেজিক সিনগী মহাও মপুং ফানা পীবা ঙম্বা প্লে অমা ওইরিবা শুমাঙ লীলা অসিদা ভাবোকশিংগী পূক্নিং ৱাখলবু অমুক কপহনবা, অমুক নোকহনবা মরুওইবা মচা ওইবা শুমাঙ লীলাদা কোমিক ইলিমেন্টগী চাং খরা হন্থরি। অদুমকপু ট্রেজিক ইন্দিং ওইবা মায় পাক্লবা শুমাং লীলা অমগী মহাও অমা পীবা ঙমখিবা অদুমক্না হন্দক পাঙথোকখিবা এম এস কে এগী অথোয় অহেন তান্নবা অদুদা চৎলিবা চহী ২০২০ গী ওইনা খ্বাইদগী ফবা অনীশুবা শুমাঙ লীলাগী ফিদা কনবা ঙমখি।

লীলা অসিদা শরুক য়ারিবশিং অদুদি নুপাগী শক্তমদা- দেব, হেমলেট, চোরজিৎ, বাসন লুকোক, ভেনস, হেপি রাজেন, মোমোতোননি।

নুপীগী শক্তম লাঙখিবশিং অদুনা- এল বোই, সুরেন্দ্রো অরাপটি, অঙাংমচানি।

নুপাগী খোঞ্জেলনা- হেরোজিৎ, নুপী খোঞ্জেলনা নবকান্ত, তল্লাদা রোসন, গীটরনা লোকেন্দ্রো, বাশিনা তেকেন্দ্রনি, পেদদ্রমনা কিং, কিবোর্দনা মাঙলেম, লিরিক্স অমসুং লীলা ইবনা অরুন কুমার লাইশ্রম, ম্যুজিক ডাইরেক্টরনা কিং অমদি লীলা অসিবু ডাইরেক্সন পীখিবনা প্রিয়োবত্র তোঞ্জমনি।




## ঐচ ৱাজেসে

# মহৈরোইশিংগী খুদোল





*TITLE : SCENERY*
**Ksh. Chinglembi**
Class: UKG
Roll No- 19
School:Hello Kids School



*TITLE : SCENERY*
**Princenanda Laishram**
Class: K.G
Roll No : 26
School:PREMIER ENGLISH ACADAMY





*TITLE : SCENERY*
**O. Rahul Singh**
Class: IV,
Sec : A
Roll No- 22
School: ST. JOSEPH HR.SEC SCHOOL






*TITLE : BARBIE*
**Kristina Oinam**
Class: IV,
Sec :Garnet
Roll No- 19
School: HERITAGE CONVENT






**Laishram Nelson**
Class: IV
School: SI SCHOOL
*TITLE : JEET*






**Aboni Devi**
Class: IV, Sec :Garnet Roll No- 8
School: HERITAGE CONVENT
*TITLE : VOLCANO*





**Loyumba**
Sec : Jasper
School: HERITAGE CONVENT
*TITLE : A HOUSE*





*TITLE : SCENERY*
**Namram Jelui**
Class: IV,
Sec :Garnet
Roll No- 21
School: HERITAGE CONVENT






**Peary Laishram**
Class: III, Sec : Jasper,
School: HERITAGE CONVENT
*TITLE : SCENERY*






**Laisom Matouleibi**
Class: III, Sec :Sec : Jasper
School: HERITAGE CONVENT
*TITLE : SCENERY*





**Vishwash Ch**
Class:III, Sec: Jasper RollNo: 36
School: HERITAGE CONVENT
*TITLE : SCENERY*






Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*